## এডিটোরিয়েল

### লম্বী শেম্বীদবগী ৱাকৎ লাকপা

#### মীখল লোইখ্রে, চাউখৎ-থৌরাঙদা মীৎয়েং চঙলসি

মমাঙথক্তা পানখিবা অমসুং হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্কা মণিপুরদা লম্বী শেমদে হায়বগী ৱাকৎ অমা ফাওবা লাকহন্দবা ঙমখিদ্রি হায়বা য়াই। মতম অমদা মচা হাৎপীরম্লে, পুলিসনা ফাখ্রে, লানহৌবনা বোম থমজিল্লম্লে হায়বগী ৱাকৎনা পাউচে অয়াম্বগী লমায়দা ফোঙনরম্বদু হৌজিক্কা লম্বী শেম্বীদ্রে নৎত্রগা চৎপা য়াদ্রে হায়বা ৱাকৎশিংনা মহুৎ শিল্লক্রে। সয়েং মিংশেল অমগী মমাঙদা য়েংজরিবা মী অদুগী মমি তাবগুম লম্বী শেম্বীদবগী ৱাকৎশিং অসিমক লৈঙাক অমনা মীয়ামগীদমক করি তৌরিবগে হায়বা শকখঙজনবগী মিংশেলনি হায়বা য়াই। তৌববুদি মণিপুর হায়বা পীকখ্রবা ষ্টেট অসি চীং-মাননা থনবা, শেমগৎ-শাগৎপা ৱাৎপা অমসুং লম্বী- থোংগী ফীভম চহী কয়াগী মমাঙদগী ফত্তনা লাকপা মরমনা অমুক্তদা নৎত্রগা চহী ১/২ দা পূম্নমক ফগৎহল্লগনি হায়না লৌবদি য়ারোই। তাঙ্কক নাইনা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈগনি। অদুমকপু তাঙ্কক নাইনা শেমগনি হায়রগা ক্বালিটি লৈনা শেমদ্রবা অমসুং মেন্টিনেন্সকী শেনফম মতীক চানা হাপত্রগদি চহী ১ গী মনুংদা লম্বী শেম্বা লোইখ্রবশিংগী ৱাকৎ অদুম লাক্কনি। মসি থোক্তনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কা অখন্নবা থৌরাঙ অমগী মখাদা নহানমখৈ শূরম্বা থবক খূৎশু অদুদগী থৈদোক্লগা খরা নীংথিনা শূহন্দুনা চহী ৫/ ১০ চৎপা য়াননবা মখলগী টেক্নোলোজি পুশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। শেল লৈতে হায়দুনা লুপা ক্রোর ১০ চঙনা শেমগদবা লম্বী অদু লুপা লাক্ষ ১০ না শেম্মু হায়রগদি শেমগদৌরিবা লম্বী অদু চহী ১ দি লায়রদুনা থা ৩ দা মপুন্সি লোইবা হায়বসি হৌনশানি। মরোল-মরোল নাইনা শেমলক্কদবা লম্বী অদু মরোল অমখক নূং থারগা মথক্তা কোইলাস তৈরগদি মীৎয়েংদা কোইলাস থারে হায়বদি য়াগনি অদুগা লম্বী অদু চৎপা য়াবা, তুং কোইগদবা লম্বীদি কৈদৌঙৈদসু ওইহনবা ঙম্লোই। ফীভম অসি য়েংলগা করম্বা লৈবাক্তগী নৎত্রগা করম্বা বেঙ্কতগী শেল পুরগা মরু ওইবা লম্বী খরদি মশক থোক্লা শেম্মনবগী থৌরাঙ তৌহন্নীংই।

ইম্ফালগী জেরো কিলোমিটরদগী চাউরাক্লা কিলোমিটর ৬ রোমতমক চৎলগা লৈবা লাঙ্গোল গেম ভিল্লেজকী লম্বী শেম্বীদ্রে হায়বা ৱাকৎ অমখক পাউচেশিংদা ফোঙনরকপা থেঙনরে। কুমজা ২০০২ দা মণিপুরনা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোকখিবা নেস্নেল গেমস নংননবা কাবুক-কাবুক শেম-শাখিবা লম্বী অদু শীজিন্নরকপা চহী ১৫ রোম হৌখ্রে। মণিপুরদা শেমখিবা লম্বী অমা চহী ১৫ চৎখি হায়বা লম্বী অমা ফাওবা লৈখিদে। মসিমক্লা তাক্লিবদি গেম ভিল্লেজকী লম্বী অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা চৎনবা য়াবা লম্বী ওইরমগনি হায়না লৌবা য়ারোই। রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা মেরিকোমগী ময়ূমসু লম্বী অসিদা চৎলগা লৈরিবনি। মীখল মমাঙদা মেরিকোমগী বোক্সিং একাদমি শঙ্গাননবা প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কনি হায়না থৌরাঙ তৌরম্বা লৈখি। প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কনি হায়না থৌরাঙ তৌরম্বদুদা লম্বী অসি শেম্মনবা থৌরাঙসু তৌরম্লবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর লাক্লরোই হায়না লাউথোরকপা মতুংদগীদি লম্বী অসি শেম্মনবগী থৌরাঙ তোকখ্রে। হান্না দব্লিউ বি এম ফাওবা লৌদুনা কোইলাস থাননবা থৌরাঙ লোইরুরবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর লাক্লরোই হায়বদগীদি লম্বী শেম্নবা থৌরাঙ তোকখিবদগী হৌজিক দব্লিউ বি এম অদু ফাওবা থাখি হায়বগী খুদম চাংদম ফাওবা লৈরক্রে। হৌজিকসু করম্বা মতমদা লম্বী অসি শেমগদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু প্রাইম মিনিষ্টর মফমদুদা অমুক লাকপা তারগদি অহিং নুংথিল নাইদনা থবক শূরগা লম্বী শেম্বা লোইখিগনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা লম্বী কয়া শেমখ্রবগে, কয়া য়াম্না শেমগদবা ৱাৎলি হায়বনচিংবা রিপোর্টকার্দ অমখক্তং থল্লগদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক লম্বী শেম্বগী থবক কয়াম তৌরবগে হায়বা খরমখৈদি খঙগনি। হৌজিক তৌরিবা মওং-মতৌ অসিদি অঙম্বা খরনা থৱায় য়াওবা মফমদনা লম্বী শেমগনি অদুগা মতু শোন্না লৈজবা, ৱাকৎচবা ঙমজদবা এম এল এশিংনা মখোয়গী এসেম্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী লম্বীশিং শেমদবগী মীৱা-মৈশা লাঙ্গনি। থাঙ্গে শেংনমক্কীদি লম্বী শেম্বা হায়বসি এম এল এশিংগী থৌদাং নত্তে। ওপোজিসন নৎত্রগা রুল্লিংগী ৱাহম্বোক লৈতে। মসিদি লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মীখলসু লোইখ্রে, হৌজিক্তি চাউখৎ থৌরাঙগী থবক্তা মায় ওনশিল্লসি হায়জনীংই।

### ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯦꯝꯕꯤꯗꯕꯒꯤ ꯋꯥꯀꯠ ꯂꯥꯛꯄ

#### ꯃꯤꯈꯜ ꯂꯣꯢꯈ꯭ꯔꯦ, ꯆꯥꯎꯈꯠ-ꯊꯧꯔꯥꯡꯗ ꯃꯤꯇꯌꯦꯡ ꯆꯪꯂꯁꯤ

# চাথোক লৈনা লৌ উবগীদমক ঈশিং চনবা

*প্রো. এম সুমর্জিৎ সিংহ*

ফৌ হায়বা পাম্বী অসি ঐখোয়না ইংরেজিদা সিরেল ক্রোপ হায়না খঙনবা মীওইবা অমদি শা-ঙাশিংগী মচীঞ্জাক্কীদমক্তা য়াম্না মরু ওইবা কাঙলূপ চূজাক, গেহু, চনালনচিংবগী মনুং চনবা কাঙলূপকী পাম্বী মখল অমনি হায়রিবা কাঙলূপকী পাম্বীশিংসিগী মনুংদা ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফমদা হৌবা ঙম্বা অমদি চাথোকসু য়াম্না লৈবা অসি ফৌ নত্তনা হৌজিক ফাওবদি অতৈ মহুৎ শিনবীনবা লৈত্রি। মসিনা তাকপদি ফৌ ফজনা চাথোক লৈনা থাগে হায়রবদি ঈশিং অসি লৌফম অদুদা পাম্বীশিংনা হৌগৎলক্লিবা তাঙ্কক্কী মতুং ইন্না ইশিং ফজনা চনবীদুনা পাম্বীশিং অদুনা অপাম্বা মওংদা ঈশিং চনথোক-চনশিন তৌবীবা য়াম্না মরু ওই।

ভারতকী মনুংদা পনবা য়াবদা পঞ্জাব, তামিলনাদু, হরিয়ানা, অসিনচিংবা মফমশিংদদি ঈথৈ-লৌখোং অসি ফজনা শেম শাদুনা লৌউ পথাপ অসি চখবনিনা ফৌগী চাথোক অসি ঐখোয় লমদম অসিদগীদি মখোয়না খরা হেল্লি। মণিপুরগী মফম অয়াম্বদদি লৌ উবসি নোং মতম চানা চুবা চুদবা হায়সিগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অদুনা ইকং থোক্তুনা নৎত্রগা ঈচাউ থোক্তুনা লৌ মতম চানা উবা ঙমদবা মফম কয়া অমসু লৈরিবনি। অদুবু প্রকৃতিগী খোংলৈ য়েংলগা মখল মখলগী লৌউ পথাপ কয়া অমা শীজিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু অমবু ওইরো অমবু ওইরো ফৌ থাবদা ঈশিং ফজনা ফংহনবা ঙমদ্রবদি চাথোক হন্থহল্লি হায়বসি থোইদোক হেন্দোক্লা খঙনরবা ৱাফম্নি। মরম অদুনা ঐখোয়গী ঈশিং ফংনবা উপায় ওইরবা নোংগী ঈশিং অসি মফম মতম চানা শীজিন্ননবগীদমক্তা কুমগী নোং লাক্ত্রিঙৈদা ঈথৈ-লৌখোং ফজনা শেমজিনবীবা য়াম্না মরু ওই। চহী ৪০-৪৫ মুক্কী মমাঙদদি মণিপুরদা লৈরিবা লৌবুক অয়াম্বা ময়ায়ৱায় নৎত্রগা ঈশিং চিথফম, খিৎতং কুৎতক তৌবা মফমদা কোম তৌদুনা থম্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লৌবুক্তা কোম অমত্তা উবা ফংদ্রে।

ফৌ অসি হেক হুনবদগী মরু চঙবা ফাওবা ঈশিং অসি অদুম চঙই অমসুং চাথোক লৈনবগীদমক্তা ঈশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা কং লৌহোন নত্তনা পামফেল লৌহোন, চিংজিল লৌহোননচিংবদদি ঈশিং থাদোক থাজিন তৌদুনা মশা মউ ফবা চাথোক লৈবা চারা অমা ওইনবা শেম্বা অসি য়াম্না মরু ওই।

**লৌহোনদা ঈশিং চনথোক চনশিন তৌবা ঃ**

ঐখোয়না কং লৌহোন হায়না খঙনবা লৌহোনশিং, থায়নদগী ইপা-ইপুশিংনা ইখোলদা হুন্দুনা ইরমদম অসিদা থাদুনা শীজিন্নরম্বা ফৌশিং পনবা য়াবদা শংজংবা, খোঙ্গল, মোইরাং ফৌ, কুম্বী ফৌ অসিনচিংবা অসি ঈশিং য়াওদনা কুমগী নোং লাক্কদবা য়েংলগা হুন্নরম্মী। অদুগা পামফেল লৌহোন, চায়জি নৎত্রগা চিংজিন লৌহোনশিংদি ঈশিংগী মরু য়াম্না ওই। লৌহোনফম অসি ঈশিং থাজিনবীদুনা, উকায় তক্তুনা লৌহোনফম অদু নৈবা অমসুং লৈতেম মান্নহনবা নাপী খুন্দোকপা অসিনচিংবা চঙই। লৌহোনফম অদুগী লৈবাক অদু ফজনা পুমথহনবনা য়াম্না ফবা হেল্লি। অসুম্না শেন্নবা লৌহোনফম অসি নাপী-শিংবীশিং হাৎপদা নত্তনা হুনখ্রবা মতুংদা ঈশিং য়াম্না তুংদুনা লৈগদবা মফমনচিংবা শেমদোক-শেমজিন তৌবদা খুদোংচাবা পী। মসিদা নত্তনা কালেন্দা খোয়দোক্তুনা থম্বা ওইরগদি লৈবাক্তা তিল কাঙগী মরুম কোক্তুনা লৈরম্বা কয়াগী মরুম অদু নুংশাদা য়াইদুনা মরুম অদু মাঙহন্দুনা লায়না-তিলনাদগী খরা মখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী। লৌহোন অসি হুঞ্জিনখ্রবা মতুংদা ঈশিং চিথোকফম লৈত্রবদি, করিগুম্বা মতমদা ফৌ অদু পুমখিদুনা মাঙবসু য়াওই। মরম অদুনা লৌহোনফম অসি অয়াম্বনা লৌখোং ঈথৈ নাতৈ চাবা মফমদা হুনবনা খ্বায়দগী খুদোংচাবা হেল্লি। লৌহোন হেক হুনখিবগা য়ামদ্রবদা ঈশিং অসি সেন্টিমিটর অমা মুক লুনা চনশিনবীগদবনি। অসুম্না চনবা অসিনা লৌহোন অদুনা থুনা মতোন চোংলকপদা নত্তনা উচেক ৱায়া কয়াদগীসু ঙাকথোকই। লৌহোন হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ৬-৭ লৈরগা ঈশিং অদু লৌহোনফম অদুদগী কংনা ফাৎতোকপীগদবনি। মসিনা হৌগৎলক্লিবা লৌহোনশিং অদু মশা-মউ ফনা অমদি থুনা মরা চৎপা হেনবতা নত্তনা থুনা হৌহনবা হেল্লি। লৌহোন অসিনা খুদোনবীমুক ৱাংলকপা অদুনা লৈবাক অদুনা লৈক্রক মচা-মচা চৎপা হৌরকপদা ঈশিং অমুক সেন্টিমিটর ৩-৪ মুক লুনা থাজিনবীগদবনি। মসিনা লৌহোন মরক্তা নাপী-শিংবী কয়া অমা হৌহন্দবা ঙমই। মসিদা নত্তনা ঈশিং অসি অমুক্তং কংহনখিবা অসি ঐখোয়না লৌহোন অসি ফোয়বা নুংঙাই, মরাদা লৈখোম পকপগী চাং হন্থে, খোঙনা কাউবদা লৌহোন তেক্কন্দে, থবক য়াংশিল্লি হায়বদি থবক শূবা নুংঙাই। লৌহোনফম অদুনা লৈবাক অদু য়াম্না পুখরবদি থবক মঙম শান্দে ফৌগী মরুদা লৈখোম হেন্না পকপা হেল্লি, মরম অদুনা হেন্না খোঙদা কাউবগী মরু ওইরকই অমসুং লৌহোন তেকপা হেল্লি।

> ফৌ অসি হেক হুনবদগী মরু চঙবা ফাওবা ঈশিং অসি অদুম চঙই অমসুং চাথোক লৈনবগীদমক্তা ঈশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা কং লৌহোন নত্তনা পামফেল লৌহোন, চিংজিল লৌহোননচিংবদদি ঈশিং থাদোক থাজিন তৌদুনা মশা মউ ফবা চাথোক লৈবা চারা অমা ওইনবা শেম্বা অসি য়াম্না মরু ওই।

**লৌ লীংফমদা ঈশিং চনবা ঃ**

লৌ লীংফম অসি ঐখোয়না য়ামদ্রবদা ঈশিং সেন্টিমিটর ৪-৫ মুক লুনা থাজিন্দুনা নৈবীহৌগদবনি। মসিনা লৌফম অদু ফজনা লৈতেম মান্নহনবা ঙমহল্লি। উকায় তকপদা শা-ষণনা হেন্না য়াংনা মঙম শান্না চিংবা ঙম্মী। অদুগা থবক শূরিবা লৌমী ইচিন-ইনাওশিংদসু হেন্না নুংঙাইবা হেলহল্লি। ঈশিংগী লৈমায় অসি ঙল্লগদি লীংদ্রিফাওবা সেন্টিমিটর ১-২ অদুম থম্বীগদবনি। লৌফম অদু নৈরিঙৈদা ফাৎতোকপীরোইদবনি। ঐখোয়না লৈখোম লৈনাং অদু ফাৎতোকখিবা তারবদি পাম্বীগী হায়বদি ফৌগী মচীঞ্জাক ওইগদৌরিবা অদু খরদা ওইরবসু য়াওখি। ঐখোয়না লৌফম অদুগী লৈবাক অদু পুমথহনবিগদবনি হায়বদি মোন-মোন লাওহনবীগদবনি। মসিনা লৌ লীংবদা মঙম শালহল্লি, থবক থুজিল্লি, ফজনা তৌবা ঙম্মী। লীংলবা মতুং নুমিৎ ৪-৫ নিরোমদি ঈশিং চনশিনবীরোইদবনি, কংনা থম্বীবা ঙল্লবদি খ্বায়দগী হেন্না ফৈ। অসুম্না থম্বা অসিনা লীংলিবা ফৌ পাম্বী অদু হেন্না থুনা খূৎলোলহনবা ঙম্মী। ঈশিং অসি অমুক চনশিনবীদুনা লুবগী চাং অসি য়ামদ্রবদা সেন্টিমিটর ১০ মুক থম্বীরবদি য়াম্না ফৈ, মসিনা নাপী হৌগৎলকপদগী খরা মখৈদি ঙাকথোকপা ঙমই। মদুদা নত্তনা হাবেংবদসু হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা হেলহল্লি। ফৌ মচা পোক্লকপা মতমদা অমুক ঈশিং অসি চিথোকপীবা মথৌ তাই। মসিনা ফৌ মচা পোকহনবা হেল্লি। নুমিৎ ১০ নি মুক লৈরগা ঈশিং ফজনা চনশিনবীগদবনি। ঈশিং অমুক কংহনবা অসিনা ফৌশিংদা তাবা লায়না-তিলনা কয়া অমা মাঙ-তাকহন্দুনা ফৌবু মশা-মউ ফনা থম্বসু ঙম্মী। ঈশিং অসি খুকউগী মথক্তা লৈরগদি ফৌ অসি লীংবা মতমদা মফম অমমমদা লৌহোন ৪-৫ থাবীগনি, মরমদি ফৌশিং অসি ঈশিং লুরবনিনা মচা পোকপা ৱাৎলি, অদুগা খরসু কুংনা লীংবিগদবনি। মসিনা হয়েং চাথোক লৈবা হেল্লি। চাউখৎপা মফমশিংদদি ফৌ অসিনা মশা তাশিল্লকপা মতমদা, লৌখোঙ ঈথৈ নাতৈ চাবনিনা, ঈশিং অসি নুমিৎ নীনি-হুম্নি লৌবুক অদু থুম্না ঈশিং চনশিন্দুনা থম্নে। মসিনা লৌফম অদুদা লৈরম্বা তিল কাঙ পূম্নমক ইমায় থক্তা তাওখৎলক্তুনা অয়াম্বা হাৎতোকপা ঙম্মী। অদুগা ঈশিং অদু অমুক থাদোক্তুনা থম্নীংবা চাংদা থম্বা য়ারে। ঐখোয়না ফৌ অসি মুল্লকপা মতম য়ৌরক্লবদি খাওদ্রিঙৈগী মমাঙ নুমিৎ ১৫ নি রোমদগী ঈশিং অসি ফাৎতোক্তুনা লৌফম অদু কংহনবীগদবনি। মসিনা খাওবা অমসুং ফৌ অদু য়েবদা নুংঙাইবা হেলহল্লি।

# ইশানা চরুয়েন থারগা চারসি

*সেলৈবম বিহারি*

**চরুয়েন মণিপুরগী ফার্মশিংদা থানরিবা চেঙ্গুমশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী মীয়াম্না পাম্নবা চেঙ্গুমনি। মহাওদা য়েংলুরবসু চরুয়েনগা মান্ননা হাওবা মান্নবা লৈতে হায়বা য়াই। হকচাংদা কান্নবা মচলগী মতাংদা য়েংলুরবসু অয়াম্বা মচলদা চরুয়েন্না খরা হেল্লি হায়বা য়াই। চরুয়েনদা নত্তনা অতৈ চেঙ্গুম অয়াম্বদা মোইচরগী শরুক চাদা ৯০ চাংচত্তা য়াওরবসু অরেম্বা চাদা ১০ দি সোলিট মেত্তরনি।**

অসিগুম্বা চরুয়েন চহী ১ গী মনুংদা নোংজুথা থা ৩-৪ দগী হেন্না কৈথেলদা য়োনবা উদে। মরু ওইনা জুন থাদগী আগষ্ট থা ফাওবদং ফংই। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা অইবনা ইদিসন ৪৮ ইদুনা খবরদা ইখিবগী ফল ওইনা হৌখিবা চহীদা চরুয়েন য়াম্না থাদুনা খ্বাইরমবন্দ কৈথেলদা চরুয়েন খরা খরা য়োনবা থেংনখি। অদুবু চরুয়েন থাবা খুখা খরা শোইনবদগী লৈ পীকপগী খুদম খরা থেংনৈ।

হৌজিক হৌজিক চরুয়েন কেজিদা লুপা ৬০০ লোম পীরি। মসিসু থা অহুম-মরি রোমতনি খরা খরা ফংগদবা। অদুবু য়ুনিভর্সেল মশরুম ক্লব থাংমৈবন্দদি চহী চুপ্পা চরুয়েন থাবগী ট্রেনিং চয়োল খুদিংগী পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা ট্রেনিং অসি চৎলুদ্রবসু চেফোঙ অসি চাং নাইনা পারগা ইশানা অদুম থাবা ঙমগনি।

হৌজিক মমাঙগী খূৎইগী মখা চখজরগে। মমাঙগী খূইদা সাইন্টিফিক মেথদতা চরুয়েন থাবগী মওংদু শম্লপ্না পঞ্জগে। খূৎনা য়ৈবা চরু মপুন মঙা মপুন থোক্লগা নুংশাদা ফৌরগা ইঞ্চি ৬ লোমগী দাইমেটণদা পুল্লগা ইঞ্চি ৩০-৩৬ শাংনা মকোক মমৈ ককথৎলগা ঈশিংদা পূং ২০-২৪ রোম তিংলগা উরুবদা ঙাদুনা পূং ১০ মুক মচুম তাহল্লগা চরুদুগা শাংবা মান্নবা বেদ শেন্নগা চরুয়েন মরূ থারগা নুংশিৎ চঙহন্দনবা চেরং মপাক্লা ওমশিন্দুনা থমখ্রে।

মথংদা নুমিৎ ৬ নি শুবা নুমিৎতগী হৌনা নোংমা কাল্লগা নোংমা চেরং হাইগৎতুনা য়েংবগা চরু কংলবা স্প্রে কাপ্পগা অমুক য়েপশিন্দুনা চেঙ্গুম হৌরক্লবা মতমদা চেরং হাইদোক্লগা হৌরক্লগা শাৎলবা মতমদা হেক্লবা ঙাইখ্রে।

মখাদি চেঙ্গুম হেকপা মতমদা অচৌবা হেক্লগা মচাদু থনম্নবা চেঙ্গুম মখোঙদু খূৎ নাম্মনা ফাজিল্লগা খূৎ নাম্মনা লৈরপ তৌনা চিংখৎকনি। অদুগা মচাশিংদুনা চাউবা ঙাইগদবনি। অসুম্না মরোল অমা হেকপা লোইরগা ঈশিং স্প্রে কাপ্লগা হান্নগুম্বা চেরংনা য়েপশিল্লগা থমগনি।

নুমিৎ ৬ তগী হৌনা মমাঙদা তৌখিবা অদুগুম্না নোংমা লেপ্পগা নোংমা য়েংলগা মমাঙগী অদুগুম্না চখগনি। অসুম্না হৌরকইমখৈ মখা চখগনি। নুমিৎ ১৫-২০ নি হৌরক্ত্রবদি মনা-মশিংগী হার ওইনবা থমখ্রগা অনৌবা অমুক মমাঙদা থাখিবগুম্না থাগনি নৎত্রগা ককথৎলগা ওইষ্টর মশরুম থাবসু য়াই। তৌবতবু চেঙকুপ অমসুং বেসোন্নচিংবা শীজিন্নদুনা অৱাৎপা নিউট্রেন্নচিংবা হাপ্পা লৈ। চাংয়েং অসি অহানবা থাবদদি চাংয়েং ওইনা য়ামদনা থাগদবনি। খূৎই অসিদা ভাব তাবীদবা য়াওরবদি অইবগী ফোন নম্বর ৮৯৭৪৮৭০৮১০ দা হংবিরকউ অদোমগী ফোন তরাম্না ওকচগনি।

মথংগী খূৎইদা সাইন্টিফিক মেথদতা চরুয়েন পাক-শন্না শেন্দাল লম্বী ওইনা থাবগী খুখা ইজরক্কে। জুন থাদনা মেছিননা (বেল্লর মেছিননা) য়ৈবা চরুদা চরুয়েন করম্না থাগদগে হায়বগী মতাংদা ইজরক্কে। অসুম্না থা খুদিংগী চরুয়েন খুখা মথং-মথং হোং-হোংদুনা খুখা ১২ মথং চহীগী এপ্রিল থাগী অরোইবা ফাওবা য়ূমশকৈশা নুমিৎ খুদিংগী ইজরক্কনি। থৱায় য়াওবীবা রিদরশিংনা চেফোঙ অসি চাং নাইনা পাবীদুনা ইশাগী ইখোল নৎত্রগা য়ূমদা চরুয়েন চাং নাইনা থাবীদুনা চাং নাইনা চাবিয়ু অরেম্বনা য়োম্বোক্তুনা ইমুংগী অৱাৎ-অপা মেনবিয়ু।

অরোইবদা অইবনা হায়জগদৌবদি চেঙ্গুম থাদুনা শেল তানবিয়ু অদুগা চেঙ্গুম চাদুনা হকচাং ফহনবিয়ু। চেঙ্গুমদা মীওইবগী হকচাংদা চঙদবা য়াদ্রবা মচল অয়াম্বা য়াওবনা চাং নাইনা চেঙ্গুম চাবিয়ু।

# মোরোক্তা তাগনবা লায়না-তিলনা

*নবকিশ্বর ঙাঙবম*

মোরোক হায়বসি লায়না-তিলনা য়াম্না কনবা পাম্বীনি। মঙোন্দা তাগনবা তিলগী মখলশিং য়াম্না লৈরবসু থ্রীপ্স হায়বা তিল অসিনা খীৎ নম্না মাঙহল্লি। অতোপ্পা তিল অতৈশিংগী মনুংদগী পুকশ্রি, ৱাহীক, ৱীভিল অমসুং মহৈ হুত্তুনা চাবা হনশিং পনবা য়াই। মোরোক্তা য়াম্না শাথীরবা লায়নাশিংসু তাই। মখোয়শিং অদু কোকফাই শুজা (ফঞ্জাই), বেক্তেরিয়া অমসুং ভাইরসশিংনা থোকহল্লি।

**লায়নাশিং ঃ**

**ফ্যুজারিয়ম ব্লিন্ট ঃ-** লায়না অসিগী লাইওংদি পাম্বী অদু খুইথরকপগা লোয়ননা মনাশিংদু মথক্লোমদা অমদি মনুংলোমদা কোনশিল্লি। মনাশিং অদু নাপু মচু চঙলক্লগা মখা থংবরোমদগী হৌদুনা অসুম শিজিল্লক্তুনা মথক ইথং থংবনা ইকোন কোন্না শি। লায়নাসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই মখল অসি লৈবাক মনুংদা চহী কয়া হিংদুনা লৈবা ঙম্বা মরম্না 'সোইল ট্রিটমেন্ট' তৌদুনা লৈবাক্তা লৈবা কোকফাইশিং অদু হান্না হাৎহৌবা ফৈ। লায়না অসিনা চঙবা ঙমদবা জাৎ খন্দুনা থারবসু কান্নে। ঈশিং লিটর ১০ দা কোপর ওক্সিক্লোরাইদ গ্রাম ২০ গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্লবদি লায়না অসিনা শন্দোরকপদগী কনবসু ঙমগনি।

**ডেম্পিং ওফ ঃ-** মোরোক্কী চারাশিং হৌফমদা লায়না অসিনা নারকপা য়াই। লায়না অসিনা নারবা চারাশিংগী মখোঙ অদু লৈমায়গী হেক মথক্তা চাথৎলক্তুনা তুথরকপা য়াওই। পাইথিয়ম, রাইজোক্তোনিয়া নৎত্রগা ফাইটোপথোরাগী কোকফাইশিংনা লায়না অসিবু থোকহল্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক চারা হুনগদৌরিবা মফম অদুদা মথক্তা হায়খ্রিবা হিদাক অদু চাইশিল্লগা পোলিথিন মপাক অমনা কুপশিল্লগা মনিল চৎখিদনবা মপান অকোয়বদুসু লৈকুপ্না নোংমা-নীনি মেনশিন্দুনা থম্বা কান্নগনি। মরূ অদুসু হুন্দ্রিঙৈদা মরূ কিলো১ গা কেপ্তান গ্রাম ২ গী চাংগা তোৎহৌবা ফৈ।

**ফাইটোপথোরা ব্লাইট ঃ-** লায়না অসিনা মনা, মপাম্বী অমসুং মহৈদা শোকহনবা য়াই। লায়না অসিমক আলু, খামেন অশিনবা অমসুং মোরোক্লচিংবদা য়াম্না তাগল্লি। মনাশিং অদু কোহ্লিং মচু মান্না মতাইরোমদগী কংশিল্লকই। মথক্তা পনখ্রিবা কোপর ওক্সিক্লোরাইদ অদুমক নৎত্রগা রিদোমিল এম এল ২০ বু ঈশিং লিটর ১০ গী চাংদা হাপ্লগা কাপ্পীবদা কান্নগনি।

এন্থ্রাকনোজ, আর্লি ব্লাইট অমসুং মতোল্লোমদগী হৌনা কংশিল্লকপা দাইবেকনচিংবা কোকফাইগী লায়নাশিংনা নারক্লবদি হায়রিবা হিদাকশিং অসিনা কান্নবা অদুম্মক ফংহনগনি।

মোরোক্তা নাগনবা ভাইরসকী লায়নাশিংগী মনুংদা টোবেক্কো মোজাইক, ককম্বর মোজাইক্লচিংবনা অথোইবনি। লায়নাশিং অসিনা মনাশিংবু মচি মচিদা শিহনবা, নাপু মচু চঙলকপা, পীকশিলহনবা অমসুং থাগৎহনবনচিংবা তৌগল্লি। ভাইরসকী লায়নাশিংদি ফহনবা ঙমদ্রি। থাঙ-টেনচিংবনা অনাবা পাম্বীদা শোক্লুরগা নাদ্রিবা পাম্বীশিংদা শোকহন্দবা, অনাবা পাম্বীশিং হেক উবগা ফুক্তোকহৌবা অমসুং তিল-কাঙশিংনা পাম্বী অমদগী অতোপ্পদা লায়না শন্দোকহন্দনবা হোৎনবদি কান্নে। পাম্বীগী মহী চুপ্পা তিলশিংনা ভাইরসকী লায়নাশিংবু পাম্বী অমদগী অতোপ্পা পাম্বীশিংদা শন্দোকই।

**তিলগী মখলশিং ঃ**

**পুকশ্রী ঃ-** মোরোক থাফম অদু পুকশ্রী কনগনি হায়বগী চিংনবা লৈবীরবদি ফেন ভেলেরেট ০.০৪ (দি পি) নৎত্রগা মলাথিওন চাদা ৫ য়াওবা দষ্টিং পাউদর (দি পি) কিলো ৬/৭ তং শম্থি লৈকুপ নৎত্রগা লৈঙোই কিলো ১০/২০ গা য়ান্নরগা শঙম অমা পাকপা লমদা চাইথোক্লগা খোইজিনবীয়ু।

**থ্রিপস ঃ-** হীকপীমুক্তা চাউবা পীক্লবা তিলশিং অসিনা মনাদগী মহী চুপথোকই। মহী চুপথোকখ্রবা মনাশিংদু কূশিল্লকই। কা হেন্না শোকচিল্লবা মনা, ময়োল অমসুং মহৈশিংগী শকওং কায়রকই। শোক্লবা পাম্বীশিংদু চাউজন থী অমসুং মমৈথংদা কংশিল্লকই। তিল মখলসিনা লিফ কর্ল কৌবা মনা কোনখৎপা ভাইরসকী লায়না অদু শন্দোকই।

**ৱাহীক ঃ-** ৱাহীকশিং অসিসু ভাইরসকী লায়নাশিং শন্দোকই। পাম্বীশিংদুবু মহী চুপথোক্তুনা শাথীনসু মাঙহল্লি।

**মহৈ হুত্তুনা চাবা হন ঃ-** তিল অসিনা মপূং ফানা চাউরক্লবদা সেন্টিমিটর ১.২ রোম শাংই। মপীদি অচৌবা কুরাক্লি। হনশিং অদুনা মহৈগী মনুংদা হুত্তুনা চায়। থ্রীপ্স, ৱাহিক, মহৈদা হুৎপী তিলনচিংবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা মখাদা পীরিবা হিদাকশিং অসি মনুংদগী অমা খল্লগা হন্না-হন্না কাপথোকপা ফৈ।

(ক) দাইমেথোয়েট এম এল ৫ ঈশিং লিটর ১০ গা।

(খ) মালাথাইওন ৫০ ই সি এম এল ২০ ঈশিং লিটর ২০ গা।